পিপলস মোর নীদস যু হায়বা থীমদা এসোসিএসন এফ ভলন্টরি ব্লদ দোনরস মণিপুর থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী ব্লদ দোনর ৭৯বু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা টি-সার্ট খুদোল তমদুনা পূক্লিং থৌগৎখিবা

"PEOPLES MORE NEEDS YOU"

বি জে পি কুম্বী মন্দলনা শীন্দুনা তেরাখোং মখা কম্যুনিটি হোলদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৭১শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা নুমীৎ ২০নি চুপ্পা চথুগদবা সেবা ওঅর সমার্পন অভিয়ান হৌদোকপগী থৌরম

SHRI NARENDRA MODI JI
BJP KUMBI MANDAL

কোনুং মমাঙ পুরেরোম্বা খোংনাংমখোঙদা লৈবা কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) হেদ ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা কাদাগী ১৫শুবা মপোক নুমীৎ থৌরম

COALITION AGAINST DRUGS & ALCOHOL
(CADA)
Motto : Health for Future
CHIEF GUEST
PRESIDENT

বি জে পি ক্ষেত্রিগাও মন্দলগী মহিলা মোর্চানা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী চহী ৭১শুবা মপোক নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা এম এল এ ইন্দ্রজিৎকী লোয়নবী নহাকপম রেখানা ফিশাকোল অমদি ফি হৌনবা ধরম মেছিন খুৎশিন্নখিবা

ব্লদ দোনরশিংবু ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস): 'পিপলস মোর নীদস যু' হায়বা থীম অমগা লোয়ননা এসোসিএসন ওফ ভলন্টরি ব্লদ দোনরস মণিপুর থৌবাল ব্রাঞ্চনা এসোসিএসন অসিগী ব্লদ দোনর ভলন্টিয়রশিংবু পূক্লিং থৌগৎতুনা খুদোল তম্বগী থৌরম অমা ঙসি দি সী থৌবালগী কমপ্লেক্সতা লৈবা কাউন্টিং হোলদা পাঙথোকখ্রে।

অনৌবা ব্লদ দোনরস কয়াবু মোটিভেট তৌবা অমদি হৌখিবা চহী কয়াদা ষ্টেট অসিগী অৱাৎপা ঈ পীবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা ষ্টেট অসিগী ব্লদ বেঙ্কশিংদা চাউনা মতেং পাংলকখিবা এসোসিএসন অসিগী ব্লদ দোনরশিংবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা খাঙবোক জি পিগী জিলা পরিষদ মেম্বর কে ঐচ রাজমোহোন, এ সী টু দি সী থৌবাল ডা. পি লেনিল, ষ্টেট ব্লদ সেলগী এস পি ও ডা. ঐচ খমখানপাও সিমতে, সী এম ও থৌবাল ডা. ৱাই নোকুলনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

দেথ বোদি দোনর ওইনা লাউথোকখ্রবা ঈ এস ঈ দি এ থৌবালগী প্রোপ্রাইটর এস ঐচ বিশ্বজিৎ, খাঙবোক্তগী এস জি তেন অমদি মহাক্কী লোয়নবী এস ধনেশ্বরী য়াওনা পুন্না ব্লদ দোনর ৭১দা টি-সার্ট অমমম খুদোল তমদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

ভুপেন্দ্র যাদবপু তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস): মণিপুরদা নুমীৎ নীনিগী খোঙচৎতা লাক্লিবা য়ুনিয়ন ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর অমসুং বি জে পি মণিপুরগী ইলেক্সন ইন-চার্জ ভুপেন্দ্র যাদবপু কৈশামথোং এ সীদগী বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটে লাইশোম সন্তোশ এলিয়স বোনিনা তরাম্না ওকখ্রে।

এয়রপোর্টতগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা লোয়ননা লাকখিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ভুপেন্দ্র যাদবপু লাইশোম সন্তোশ অমদি মহাক্কী ৱার্কররশিংনা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায় মপাদা অচম্বা খুদোল অমদি লেংয়ান তমদুনা ওকখিবনি। লাইশোম বোনিনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা ষ্টেট অসিদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলক্লিবা, চীং-তমগী মরী হেন্না চেৎশিনহল্লকপা অসিদা পেঞ্জদুনা বি জে পিদা য়াওরকখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর মোদি অমদি সী এম বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা কৈশামথোং এ সীদা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া থেংনরিবা অসি খরদং ওইরবসু কোকহন্নবা মীয়ামগী য়াইফগদবা থবক কয়া পায়খৎননবা হোৎনগনি হায়খি।

মসজিদকী সব কম্মিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস): অল-জন্নাহ মসজিদ, মন্ত্রিপুখ্রিগী মহল্লাদারশিংগী ওইবা মীফম অমা জামিয়াতুল উলেমা মণিপুর অমদি মুস্লিম কাউন্সীল মণিপুরগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংসু শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা পুন্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা মসজিদ অসিগী ওইবা মীওই ৬না শাবা সব কম্মিটি অমা ঙসি শেমখ্রে।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর থা অসিগী অহুম ইরাই নুমীৎতা মসজিদ অসিগী হান্না থৌ পুরম্বা মেনেজিং কম্মিটি মেম্বরশিংগা লোয়ননা বাবুপারা মসজিদতা ফম্মিন্নদুনা য়ানখিবগী মতুংইন্না মীফমদু পাঙথোকখিবনি। ঙসিগী মীফম অদুদা পুন্না মীওই ৩০ রোম শরুক য়াখি হায়রি। নৌনা থৌপুনবা খনখ্রবা মীওইশিং অদুদি এম দি সহিদ অহম্মদ (প্রসিদেন্ট জামিয়াতুল উলেমা মণিপুর) এম সী এমগী প্রসিদেন্ট হাজি অরাফৎ, অঞ্জমন মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এম ভি হবিবুল্লাহ জামিয়াতুল উলেমাগী জেনরেল সেক্রেটরি মুফতি শফিউল্লাহ, জামিয়াতুল উলেমাগী জেনরেল সেক্রেটরি মুফতি শফিউল্লাহ, দারুল উলুম মকক লিলোং, মণিপুরগী মুফতি অব্দুল হক অমসুং জামিয়াতুল উলেমাগী মুফতি অব্দুল কাদিরনচিংবনি হায়রি।

বি জে পিদি চিনগা খুৎকা মান্নদবা ৱাজাও ঙাংবা পার্টিনি : হেমন্ত

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): বি জে পি হায়রিবা পার্টি অসিদি চিনগা খুৎকা মান্নদবা, ৱা ঙাংবদি চাউনা চাউনা ঙাংবা থবক্তি তৌদবা ৱার্ক মোর টোল্ক লেস হায়বগী ৱাখল্লোন চেন্দবা পার্টিনি হায়না হান্না মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর ওইরম্লবা মোইরাংথেম হেমন্তনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ৱাংজিং-তেন্থা এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা ৩৪/৮ সঙ্গাইয়ুম্ফম মাইরেন খুলদা হান্না বি জে পিগী ফিরাল য়ুংলম্বা, বি জে পিগী ৱার্কর ২৩না নৌনা কোংগ্রেসতা য়াওরকখ্রবশিংবু ঙরাং নুমীদাং মণিপুর লৈঙাক্তা হান্না মিনিষ্টর ওইরম্লবা মোইরাংথেম হেমন্তনা কোংগ্রেসকী লেংয়ান য়ানদুনা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমদা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, কোংগ্রেসকী থবক থৌরমশিং অমদি চাউখৎ থৌরাংশিংদা থাজবা থমদুনা হান্না বি জে পিদা লৈরম্বশিংনা কোংগ্রেসতা লাকপনি। খুল অসিমক্তদগী থা অসিগী মনুংদা বি জে পি ৱার্কর ময়াম অমা কোংগ্রেসতা য়াওরক্লগনি হায়বগী পাউ লৈরে হায়রদুনা মসিগা অমুক চঙলক্লবদি পোল্লিং ষ্টেসন অসিদা বি জে পিগী ৱার্কর অমত্তা লৈররোই অমদি মুস্লিম ইচিল-ইনাওশিংনা কোংগ্রেসতা থাজবা থল্লক্লিবা ৱাখল্লোনশিং কৈদৌনুংদা মাঙহল্লোই হায়খি।

বি জে পি হায়রিবা পার্টি অসি ৱাংজিং-তেন্থা এসেমব্লী কন্সটিটুয়েন্সিগী মনুং চনবা মাইরেন খুল হায়রিবা মুস্লিম খুঙ্গং অসিগা খ্বাইদগী চান্নদবা পার্টি অমা ওইরে হায়না কোংগ্রেসতা নৌনা য়াওরকখ্রবা হান্না বি জে পিদা য়াওরম্বশিংনা ফোঙদোক্লখি। ঙসিগী তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা ৱাংজিং তেন্থা ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এস গোপেশ্বর, এদভাইজর এল শ্যামো, ভাইস প্রসিদেন্ট এন দিনে, এন জুগিন্দ্রো, এস ইনাওচা অমসুং ব্লোক্কী মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি।

কাদাগী ১৫শুবা মপোক নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)গী ১৫শুবা মপোক নুমীৎ থৌরম ঙসি কোনুং মমাঙ পুরেরোম্বা খোংনাংমখোঙদা লৈবা কাদা হেদ ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার, অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল)গী প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ লৌরেম্বম ওংবী ঙানবী, নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট য়ুম্লেম্বম মেম্মনা মথৎশিংনা প্রসিদেন্ট, চীফ গেষ্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবা কাদাগী থৌমীশিং অমদি কাদাগা পুন্না চৎমিন্নরিবা লৈখিদ্রবা থৌমীশিংগী মফমদা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি অমসুং জেনিমসকী ব্লদ বেঙ্কতা মীওই ৩০না শরুক য়াদুনা ঈ কৎখি।

থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা কাদাগী সেক্রেটরি জেনরেল গীতচন্দ্র মঙাংনা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্না রেভিন্যু অমসুং ইমপ্লোয়মেন্ট জেনরেসনগী মিংদা মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এমেন্দমেন্ট তৌদুনা অমদি যুলিগেলাইজেসন তৌদুনা মণিপুরদা যু শুংদুনা মপান্দা থাদোক্কনি, মণিপুরদা যু ফংহল্লোই হায়বসি য়ুম্ফম য়াওদবা থাজনিংঙাই ওইদবা ৱাফমনি। মৈ মেঘৱাট কয়া পুথোক্নবা পায়খৎখিবা লোক্তাক প্রোজেক্ট ঙসিদি লৌ উনরিবা লৌফম কয়া ঈশিং ঈরোলনুংদা লুপখ্রবা মতুং মাঙজবনা হেল্লবা প্রোজেক্ট অমা ওইরে। মণিপুরদা পায়খৎপা স্কিম/প্রোজেক্টশিং নীংথিনা ইমপ্লিমেন্ট তৌদনা ফেল ওইবনা অয়াম্বনি। মীয়ামগী হকশেলদা শোকহল্লক্কদবা, ইকনমিদা শোকহল্লক্কদবশিং নৈনদনা যুলিগেলাইজেসন তৌনবা হোৎনরকপা থৌওং অসি মীয়ামগী খন্দবা লৈঙাক্কি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা অমকিলগী প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ লৌরেম্বম ঙানবীনা হায়খি, লৈঙাক্কী অশোয়বা অরানবা থীদুনা তাকপা মীওই কয়াবু মরাল অমা পীশিন্দুনা ফাজিনবা অদুগা খুন্নাই মাঙহনবা ঙম্বা দ্রগ লল্লোনবা মীওই কয়াবুনা মরাল লৈত্রে হায়দুনা ফারবা মতুং থাদোকপা অসিগুম্বা থৌওং কয়া অসিনা মণিপুর লৈঙাক্তা থাজবা থম্বা ঙমদ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, কাদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওফিসতসু কাদাগী ১৫শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

নুমীৎ ২০নি চুপ্পা চথুগদবা সেবা ওঅর সমার্পন অভিয়ান হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস): ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৭১শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ঙসিদগী নুমীৎ ২০নি, ওক্টোবর ৭ ফাওবা চথুগদবা সেবা ওঅর সমার্পন অভিয়ান হৌদোকপগী থৌরম বি জে পি কুম্বী মন্দলনা শীন্দুনা তেরাখোং মখা কম্যুনিটি হোল, ৱার্দ নম্বর ৭, ৱাঙু তেরাখোং জি পিদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা লাক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর এসেমব্লী ইলেক্সনদা কুম্বী এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইনবা শেম-শারিবা এক্স-মিনিষ্টর এন মঙ্গি, বি জে পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট আর কে বিমোলা, ৱাঙু বোরায়াংবী জিলা পরিষদ মেম্বর এম ব্রোজেন, তেরাখোং জি পিগী প্রধান পি বাল্লেশ্বর, বি জে পি কুম্বী মন্দল, যুব মোর্চাগী প্রসিদেন্ট এন লোকেন্দ্রো, বি জে পি কুম্বী মন্দলগী জেনরেল সেক্রেটরি দব্লিয়ু টিকেননা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মঙ্গিবু শৌগৎপা কুম্বী এ সীগী তোঙান তোঙানবা জেদ পি, জি পিগী মেম্বরশিং অমসুং ম্যুনিসিপালিটিগী এক্স-কাউন্সীল্লরশিংসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, বি জে পি কিষান মোর্চানা শীন্দুনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা কিষান জৱান সম্মন দিবস থৌরম ইরেংবম মমাঙ অৱাং লৈকায়দা লৈবা বি জে পি কিষান মোর্চাগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ জিবোনগী যুমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা ওইনাম এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা দিফেন্সকী তোঙানবা শিনফমদা থবক তৌরিবা ইমুং-মনুং ১২ অমদি প্রোগ্রেসিভ ফার্মর ২০দা মখোয় মখোয়না লৈবাক অসিগী লৌরিবা থৌদাং অসিবু থাগৎপা ওইনা খুদোল পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা বি জে পিগী কর্মি অমদি কিষানগী ওফিস বিয়ারর কয়াসু শরুক য়াখি।

অথুম-অহাওশিং য়েন্থোকখ্রে, উ চারাশিং থাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্রগী চহী ৭১ শুরকপগী মপোক নুমীৎ থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি বি জে পি ক্ষেত্রিগাও মন্দলনা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মফম কয়াদা লৈরিবা মীয়ামদা অথুম-অহাওশিং, মাস্ক অমদি সেনিটাইজরনচিংবা য়েন্থোকখ্রে। লোয়ননা মফম কয়াদনা উ চারাশিং থাখ্রে।

থৌরম অসিদা বি জে পি ক্ষেত্রিগাও মন্দলগী প্রসিদেন্ট ও লক্ষ্মন অমদি অতৈ থৌপুবা কয়াসু শরুক য়াখি। বি জে পি ক্ষেত্রিগাও মন্দলগী ও বি সী মোর্চানা মাস্ক অমদি সেনিটাইজরশিং মফম কয়াদা য়েন্থোকখি। মহিলা মোর্চানা লম-তূ শেংবা অমদি ফিশাবীশিংদা মতেং পাংখি। মাইনোরিটি মোর্চানা মসজিদতা, এস টি মোর্চানা কৈখুদা অমদি যুথনা ৱাখাদা লম-তূ শেংবগা লোয়ননা উ চারাশিং থাখি। ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎকী মীৎয়েং মখাদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মফম কয়াদা কোয়না চৎতুনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী পাউজেলশিং মীয়ামদা পীখি।

অমরোমদা, বি জে পি ক্ষেত্রিগাও মন্দলগী মহিলা মোর্চানা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মপোক নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎকী লোয়নবী নহাকপম রেখানা কোংপাল চনম লৈকায় হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট কোওপরেটিভ সোসাইটিদা ফি শানবা কোন, ফি হৌনবা ধরম মেছিনশিং খুৎশিন্নখ্রে। খোঙথাং অসি এ সী অসিগী মনুংদা লৈরিবা নুপী ওইবীশিংগী শেন্থোকলম্বী হেনগৎহন্ননবা পায়খৎলকখিবনি।

দব্লিয়ু এ এন এস য়ু সী ও কৌবা লূপ শেমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গা পুন্না চৎমিন্নদুনা লৈবাক মীয়ামগী থবক থৌরম কয়া তৌনবগীদমক্তা অমুকোগী মীৎয়েং মখাদা য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট (য়ু সী ও বি আই দি)না মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা খুল কয়াগী লোকেল ক্লব ২৮না পুন্দুনা ৱাঙু এন্দ নাপেৎ সরাউন্দিং য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু এ এন এস য়ু সী ও) কৌবা অনৌবা অপূনবা ওর্গনাইজেসন অমা ঙসি অমুকোগী ওফিসতা ক্লব কয়াগী লুচিংবশিংনা পুন্দুনা শেমখ্রে হায়না অমুকোগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি ইন-চার্জ কোইজম সন্তোশ মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ওর্গনাইজেসন অসি শেম্বদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা ময়াই তাংবল লৌখিবগা লোয়ননা লূপ অসিগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি। নৌনা শেমখিবা ৱাঙু এন্দ নাপেৎ সরাউন্দিং য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী থৌপুবশিং অদুদি এস এস দব্লিয়ু সী, ৱাঙু সন্দংখোংদগী প্রসিদেন্ট ওইনা মীহুৎ লাকখিবা হামোম নিংথেম মৈতৈনা প্রসিদেন্ট, এল ৱাই সী, লাইখোং অৱাংগী প্রসিদেন্ট ওইনা লাকখিবা কোঙ্গেংবম প্রেমজিৎ মৈতৈ, এস ৱাই দব্লিয়ু সী, নাপেৎকী সেক্রেটরি ওইনা লাকখিবা ব্রোজেন য়ুম্লেম্বম অমদি সী ৱাই দি ও, চাইরেন অহল্লুপকী প্রসিদেন্ট ওইনা লাকখিবা লাইশ্রম প্রিয়োকুমারনা ভাইস প্রসিদেন্টশিং ওইনা, মোদেল ক্লব, ৱাঙুগী সেক্রেটরি ওইনা লাকখিবা অমোম বিনোয়না জেনরেল সেক্রেটরি, এন আই এস এ ক্লব, নাপেৎকী সেক্রেটরি ওইনা লাকখিবা অথোকপম অবুং মৈতৈ অমদি আই কে ঐচ দি ও, ইথাই খুনৌ মমাঙ লৈকায়গী সেক্রেটরি ওইনা লাকখিবা কোন্থৌজম দিনাচন্দ্রনা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরিশিং, আর এস সী, লাইখোং মখা লৈকায়গী সেক্রেটরি ওইনা লাকখিবা থৌনাওজম রবিনা ফাইনান্স সেক্রেটরি, জি এস এস সী, থৌবাল তাবীগী প্রসিদেন্ট ওইনা লাকখিবা পুয়াম রোমেশনা এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরি, এন ৱাই দি ও, নাপেৎতগী সেক্রেটরি ওইনা লাকখিবা য়ুম্নাম ওজিৎ মৈতৈনা ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি, আই কে ঐচ দি ও, ইথাই খুনৌদগী ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা লাকখিবা সোরাম অজিৎকুমার অমদি এন আই এস এ ক্লব, নাপেৎতগী প্রসিদেন্ট ওইনা লাকখিবা হাওবিজম মনিশ্বর মৈতৈনা এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিশিং, সী সী ৱাই সী, চন্দোনপোকপীগী সেক্রেটরি ওইনা লাকখিবা নিংথৌজম চক্রপতিনা পব্লিসিটি সেক্রেটরি, মোদেল ক্লব, ৱাঙুদগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনা লাকখিবা লাইশ্রম বিরমনি অমদি আর সী দি ও, বোরায়াংবীগী সেক্রেটরি ওইনা লাকখিবা রাজিখাননা এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরিশিং ওইনা খনখি। লোয়ননা এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনা মীওই ১০সু হাপখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

টোটেল সটদাউন লাউথোকখ্রে, বোয়কোট তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল কোলেজ টোটেল সটদাউন লাউথোক্লে, সেপ্টেম্বর ১৯দা ইম্ফাল কোলেজদা সেন্টর ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা সী এ এফ এন্দ পি দিগী রিক্রুটমেন্ট এগজামিনেসন বোয়কোট তৌরে হায়না ইম্ফাল কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনাম প্রেমদাস খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইম্ফাল কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈবা কোলেজশিংগী এদমিসন ফি হন্থহন্ননবা হায়জরবা ফাওবা তাশিন্নদনা লৈশিনবা অসিনা মহৈরোয়শিংবু থওইদ্রে হায়বা ময়েক শেংনা তাক্লে। মরম অসিনা ঙসিদগী হৌরগা ইম্ফাল কোলেজ টোটেল সটদাউন লাউথোক্লে অমদি ওনলাইনদা চথরিবা এদমিসন প্রোসেস অসিসু থিংজিঞ্জরে।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১২দগী হৌরগা কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নশিং খুৎশম্নদুনা কোলেজ এদমিসন প্রোসেস অসি থিংজিন্দুনা লাক্লিবনি অমদি গভর্ণমেন্টকী একাউন্টতা দিপোজিৎ তৌগদৌরিবা লুপা ১৩৪১ (সাইন্স)/লুপা ১১৭১ (আর্টস) অসি হন্থবীননবা হায়জখিবা লৈখ্রবনি। অদুবু এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা তুমীন্না লৈশিনবা অসিনা মহৈরোয়শিংগী অকনবা খোঙজং ইনভাইট তৌবনি। লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১৯দা ইম্ফাল কোলেজদা সেন্টর ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা দিপার্টমেন্ট ওফ কঞ্জ্যুমর এফেয়র্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন, গর্ভমেন্ট ওফ মণিপুর অসি ইম্ফাল কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না বোয়কোট তৌরগনি। কোলেজ টোটেল সটদাউন তৌরিঙৈ মনুংদা নম-হাদুনা পাঙথোক্লনবা হোৎনরক্লবদি মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্তা খূদিংমক মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা পুগদবনি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

'অৱাৎ-অপাশিং সেসন হৌদ্রিঙৈদা য়েংশিনবীয়ু'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): লমদমসিদা লৈরিবা কোলেজশিংদা থেংনরিবা অৱাৎ-অপাশিং অনৌবা সেসন হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা য়েংশিনবীয়ু অমদি একাদেমীক কেলেন্দর কায়হন্দনবা মরী লৈনবশিংনা হোৎনবীয়ু হায়না কোওর্দিনেটিং কম্মিটি কোলেজেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (কোকোকসুম)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কোওর্দিনেটিং কম্মিটি কোলেজেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুরগী কনভেনর খাইদেম রোবিন্সন অমদি তোঙান-তোঙানবা কোলেজশিংগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নশিংগী সেক্রেটরিশিংনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ক্লাস টুয়েল্ব এগজামিনেসন অসি প্রমোসনগী মওংদা চাদা ১০০ পাস আউট তৌরকপনা অমদি মপান লমদা চৎপগী চাং য়াম্না হন্থনিংঙাই ওইবনা লমদমসিগী কোলেজশিংদা তম্বা ফংলোইদবগী অচৌবা অৱাবা অমা মায়োক্নরকপগী মমি চাউনা তারিবা অসি উবীরগা কোলেজশিংগী ইন্টেক কেপাসিটি হেনগৎহনবীয়ু অমদি মসিদা চঙবা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎপীননবা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি। কোলেজ খরনা মহৈরোয় মশীং য়াম্না লৈরগা ওজা লৈতবা, খরদনা ওজা মপুং ফানা মরাং কায়না লৈবা অদুগা তন্বীনবা মহৈরোয় লৈতবা অসিগুম্বশিং অসি য়েংবীরগা টিচর, ষ্টুদেন্টস অমদি সবজেক্টশিংদা অখন্ননা রেসনেলাইজেসনগী প্রোসেস খুন্মাং চাউশিন্না চথুবীনবা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি।

নাকল অমরোমদা, এদমিসন ফিগা মরী লৈননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈবা কোলেজ খরগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নশিংনা কোলেজ খরদা এদমিসন থিংজিনবগী ৱাথোক অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্ননবা হোৎনবীগদবনি। একাদেমীক কেলেন্দরদা অকায়বা লাকপা থোক্লবদি মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্তা খূদিংমক মরী লৈনবশিংনা পুগদবনি। এদমিসন ফিগী মতাংদা মরম চাবা ৱাফমসু লৈঙাক্না তংদাংবা অমা খঙহন্দুনা লোইশিন্ননবা হোৎনবীয়ু। লোয়ননা কোলেজশিংদা তম্মনবগী রেজিষ্ট্রেসন তৌহৌদবা মহৈরোয়শিংসু চান্স অমা পীবীননবা অখন্নবা থৌশিল অমা য়াৎপীদুনা লমদমসিগী মহৈরোয়শিং থৌরাং তৌবীয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

এক্সিদেন্টতা লৈশাবী ১ শিরে, ৩ শোক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ঙরাং নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা নাওরেমথোং শামুশঙদা রোয়েল ইনফিল্ড অমগা এক্সেস থৌরকপা অমগা থেঙ্গাইনবদা রোয়েল ইনফিল্ডগী মনিংদা তোংবা লৈশাবী অমা শিরে, অহুম্না শোক্লে। লৈখিদ্রবা লৈশাবী অদুগী মমিংনা লুসি লালনুনথার (২১) অপোকপা মাংচা খোংসাই কৌই। মহাক এ আই আর ষ্টাফ কোলোনি লম্ফেলদা লৈবনি। শোক্লবা মীওইশিং অদুদি রোয়েল ইনফিল্ড থৌরকপা জাজো চুইরৈশাং (২১), এক্সেস থৌরকপা অরাম্বম ইন্দ্রকুমার (৫৫) অমদি মনিংদা তোংলকপা সঙ্গিতা মপুরোইবা লৈখিদ্রবা গোজেননি হায়রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা লম্ফেল পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোমদা লেপ্তুনা তেংবাঙনরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্টকী কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোমদা লন্নাই মীওইশিং অমদি লূপ কয়ানা লেপ্তুনা তেংবাঙনরক্লি হায়না য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোম মেনেজিং কম্মিটি, কৈবী সনাপাৎকী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গোই পিবানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সেপ্টেম্বর ৪দা সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর থোকচোম সত্যব্রতনা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ১০ তেংবাঙবীরক্লি, নুমীৎসিমক্তদা শ্রী সৈত্য সাই সেবা ওর্গনাইজেসন, প্রসান্তি মন্দির মন্ত্রিপুখ্রিনা নরায়ন সেবাগা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ১, অচাথাউ লিটর ৫, হৱাই কে জি ১৫, চিনি কে জি ৫, আলু কে জি ৫, শঙ্গোম পাউদর পেকেৎ মচা ১৫, সর্ফ পেকেৎ মচা ৫, সাপোন ১০, চা মনা পেকেৎ মচা ১০, বিসক্কিৎনচিংবা পীবীরম্মী। সেপ্টেম্বর ৭তনা শীংজমৈ চোংথাম লৈকায়দা লৈবা ফ্রেক্সোজ সেভিয়র বেগনোদ (এফ এক্স বি)না কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ২, অচাথাউ লিটর ৫, থুম পেকেৎ ৫, হৱাই কে জি ১০, চিনি, আলু, তিলহৌ, সাপোন দর্জন ৩, টুথ পেষ্ট দর্জন ১ পীবীরম্মী। সেপ্টেম্বর ১৯দনা খুরাই থোইদিংজম লৈকায়দগী ডা. জেসিলিন রাজকুমারীনা হোমগী অঙাংশিংবু কোভিদ টেষ্টিং তৌবীবগা লোয়ননা মেদিকেল চেক অপসু তৌবীরম্মী লোয়ননা হিদাক মখল কয়া অমসু পীবীরম্মী। সেপ্টেম্বর ১২দনা মোইরাং খুনৌ মমাঙ সাবল লৈকায়দগী ওইনাম রোমিওনা অঙাংশিংগীদমক চেঙ কে জি ৪০, মেগি বোক্স ১, ষ্টেসন্নরি আইটেমশিং পীবীরম্মী। সেপ্টেম্বর ১৩দনা হাউবম মরক ঙাঙোম লৈকায়দগী ইরেংবম জিম্মি অমদি সুমিলানা মখোয়গী লৈখিদ্রবী অপোকপীগী অহানবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ২, অচাথাউ লিটর ৭, হৱাই কে জি ১০, চিনি কে জি ৬, চা মনা, আলু, তিলহৌ, থুমনচিংবা পীবীরম্মী।

সেপ্টেম্বর ১৪দনা উরিপোক অচোম লৈকায়দগী কোংখাম জয়ন্তনা মাগী লৈখিদ্রবী অপোকপীগী লৈখিদবা চহী ২০ শুরকপগী কুমওনগা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ১, অচাথাউ লিটর ৫, ঙারি কে জি মখায়, মোরোক কে জি ১, বেসোন কে জি ৫, তিলহৌ কে জি ৩, আলু কে জি ১০, শঙ্গোম পাউদর কে জি ১, চিনি কে জি ৩, হৱাই কে জি ৯, বিসক্কিৎ ব্রেদ, হৈ মহি, য়েন্সাং মনা মশিংনচিংবা পীবীরম্মী। সেপ্টেম্বর ১৫দনা কৈবী খুল্লেন্দা লৈবা অরাম্বাই কৌবা ওর্গনাইজেসনগী চেয়রমেন সোভেট এলাংবমনা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ১, আলু বেগ ১, তিলহৌ বেগ ১, থুম বেগ ১, ঙারি কে জি ১, হৱাই কে জি ১০, অচাথাউ লিটর ৫ পীবীরম্মী। সেপ্টেম্বর ১৬তনা ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকায়দগী অহৈবম সুরনকুমারনা মহাক্কী মচানুপা অহৈবম লমঙানবগী চহী ফারকপগা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ১, আলু বেগ ১, অচাথাউ লিটর ১৫গী তিন ১, হৱাই কে জি ২০, চা মনা পেকেৎ ১, চিনি কে জি ১০, ষ্টেসন্নরি আইটেমশিং পীবীগা লোয়ননা মখোয়বু শঙ্গোম ক্ষেরসু পীজবীরম্মী।

মীয়ামগী মতেং খক্তনা হিংজরিবা হোমসিগী অঙাংশিংবু নুংশিবীদুনা তেংবাঙবীরক্লিবশিংগী মফমদা হোমগী অঙাংশিং অমদি মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা তৌবীমল খঙবা উৎচবগা লোয়ননা থাগৎপসু ফোঙদোকচরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

[illegible]

IRENGBAM (O) NALINI (MEMA) DEVI গী ELECTION CAMPAIGN COMMITTEE শেমখ্রে

হৌখিবা তাং ০৯/০৯/২০২১ ইং, শগোলশেন নুমীৎকী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা Oinam Kendra Election Development Committee গী প্রসিদেন্ট শ্রী লোকতোংবম অঙৌসিংহনা প্রিসাইদ তৌদুনা Smt. Irengbam (O) Nalini (Mema) Devi গী য়ুমদা লাক্লিবা ২০২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন অসিগা মরী লৈননা মীফম অমা কেন্দ্রগী থাক্তা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা ইলেক্সন অসি থেংননবগীদমক মীফম্না মত অমত্তা ওইনা Election Campaign Committee অমা মখাগী অসুম্না শেমখি।

1. Sorokkhaibam Temba Singh (Retd. ZEO), Oinam - Chairman
2. Ningthoujam Samananda Singh, Leimaram (Setting member, Keinou Zilla Parishad) - Vice-Chairman
3. Thokchom Bira Singh, Toubul (Ex-Member, Ngaikhong Khullen Zilla Parishad) - Vice-Chairman
4. Dr. Oinam Chaoba Meetei, Oinam (Social Activist) - Vice-Chairman
5. Chungkham Joykumar Singh, Irengbam (Retd. Head Master) - General Secretary
6. Thounaojam Sanatomba Singh, Khoijuman - Asst. Gen. Secretary
7. Wahengbam Homeshor (Inao) Singh, Keinou (Ex-Pradhan, Keinou G/P) - Publicity Secretary
8. Khwairakpam Goba Singh, Irengbam - Finance Secretary
9. Sanasam Sanayaima Singh, Irengbam - Asst. Finance Secy.
10. Khumanthem Dharjit Singh, Toubul - Member
11. Laishram Deben Singh, Ngaikhong Shiphai - Member
12. Lamabam Sana @ Shantikumar Singh Ngaikhong Khullen - Member
13. Maisnam Bimolchand Singh, Ngakchrou Pokpi - Member
14. Pukhrambam Shanti Singh, Ngaikhong Khunou - Member
15. Namoijam Pakchao Singh, Keinou - Member
16. Khumukcham Dhaneshor Singh, Irengbam - Member
17. Yumnam Ranjit Singh, Yumnam Khunou - Member
18. Ningthoujam Mangi (Thana Mangi) Singh Leimaram - Member
19. Yelam Debeshor Singh, Heinoubok - Member
20. Thokchom Dina Singh, Ngaikhong Khullen - Member
21. Salam Khoibi @ Romesh Singh, Waroiching - Member

মখা তানা তৌবুলদগী Social Activist Dr. Yanglem Mani Khuman বু Special Guest Talker ওইনা ঙসিগী মীফম্নসু মত অমত্তা ওইনা হাপখ্রে লোয়ননা লাক্লিবা তাং ২০/০৯/২০২১, নিংথৌকাবা নুমীৎতগী ইলেক্সন অসিগীদমক কেম্প্যেন হৌবা হায়নসু লেপ্পখ্রে অমদি মখাগী মীওই মঙা অসিবুসু Auditor ওইনা হাপখি।

1. Khumukcham Indu Singh, Irengbam
2. Yumnam Amuba Singh, Keinou
3. Wahengbam Binoy Singh, Toubul
4. Yumnam Okendro Singh, Irengbam
5. Thokchom Indrajit Singh, Heinoubok

Sd/- **Chungkham Joykumar Singh,**
General Secretary,
Election Campaign Committee, Oinam Kendra

HL-P/0095/19